ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯖꯨꯟ ꯰꯵, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯷꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুন ০৫, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৭২ শুবা মশীং

ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে

মিনিষ্টরনা উ থারগা থৌরম লোইশিনগদৌরিবরা?

চহী খূদিংগী জুনগী তাং ৫বু মালেম শীনবা থুংনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্লরি। কুমজা ১৯৭২ গী য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিনা ৱারেপ লৌদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্স ইনভাইরনমেন্ট প্রোগ্রাম (য়ু এন ঈ পি) লিংখত্তুনা চহী খূদিংগী জুনগী তাং ৫ দা তোঙান তোঙানবা খোল্লাউ অমমম থমদুনা নুমিৎ অসিগী থৌরমশিং পাঙথোক্লি। হোংলক্লিবা অঙৈং-অশা, হৱা-নুংশিৎকী ফীভমদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা লৈবাকশিং, শিনশঙশিং অমসুং মীওইবা খুন্নাইনা মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্বনা থৱায় পানবশিংগী ময়ূম ওইরিবা মালেম পৃথিবী অসি কন্ননবগী মচাক ওইহন্ননবা পান্দম থল্লি। চহী অসিগী এজেন্দা “কন্নেক্টিং পিপলস টু নেচর” হায়বসিনি। শন্নপ্না হায়রবদা মীওইবগা নেচরগা শন্ন হনবা হায়বনি। মালেমথক্তা হিংলিবা মীওইবা ঐখোয়না নেচরবু থওইরক্তবদগী হৌজিক্তি মখল-মখা কয়াগী চৈথেং ফংলে। মসিনা করম্বা মতমদা মীওইবগী খোঙ্গুল মুৎখিগদগে হায়বগী ৱাহং ফাওবা লাক্লে। অঙৈং-অশাগী খলদগী হৌরগা মীওইবগী খুৎশেম্না থোকহনবা খুদোংথীবশিংদগী লাপ্না লৈহনবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী য়াইফনবগী লম্বী ওইরক্লে। অকোয়বগী ফীভম কদায় ফাওবা শোকচিল্লবগে খঙনা খঙনা লৌখৎফম থোকপা থবক্তি লৌখৎলকপা ঙসি ফাওবা উদ্রি। মখোয়দা ইনভাইরনমেন্টকী ৱাখলসি জুন ৫ খক্তংদা লাকপা ওইনা তৌরি। কদায় ফাওবা করম্বা থাক্তা ইরমদম অসিদা অকোয়বগী ফীভম হোংলক্লবগে হায়বসি পন্দ্রবসু য়ারে খল্লি। মালেমগী ওইনা মহৌশাগী খল কায়থরকপগী অৱাবা, খুদোংচাদবা পূন্নমক মণিপুরদসু ফংলি। থা খূদিংগী চুফম থোকপা নোংজুগী চাং লৈজরবসু হৌজিক্তি নোংজুগী খল কায়খ্রে। নোংজু থাগী মতমদা নোং পঙচুদা চুবা, অতৈ মতমদনা নোং মরীক অমা ফাওবা তাদবনা মহৈ-মরোং পুথোক্লনবা হোৎনবদা অৱাবা ফীভম অমা ষ্টেট অসিনা মায়োক্লরি। উমং-ৱামংদি লায়রদনা য়ূমগী মনাক নকপদা লৈবা উপাল-ৱাপাল পূম্বসু ঙম্নমক য়াম্থৎখিবদগী ইম্ফাল শহর ফাওবা পূমকোক কোকশিল্লক্লে। য়ূমগী অকোয়বদা অশঙ-অমানগী মফম অমা ফাওবা উবা ফংদ্রবদা কমদৌনা ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম ফরক্কনি। হকচাংগী ফীভম ফগৎলক্নীংঙাই মরম লৈশিল্লক্ত্রে।

ক্লাইমেট চেঞ্জসু ইনভাইরনমেন্ট কায়থরকপনা ওইহল্লকপা মরম অমনি। হন্দক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পেরিস ক্লাইমেট এগ্রীমেন্টতগী ৱিঠদ্রো তৌখিবদুমক মালেমগী ওইনা নিংবা কায়নিঙাইনি। কায়থরক্লবা মহৌশাগী খল অসি লৈবাক অমা য়াওদ্রগা অতৈ লৈবাক পুন্ন মক্না লোইনমক কোকহনবা ঙমগনি হায়বসি য়ারোই। ইস্যু অসি মালেমগী ওইবনি। মরম অদুনা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্না পেরিস এগ্রীমেন্ট ঈকায় খুম্নদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা হায়বসিনা মীওইবা কন্ননবগী অচৌবা লম্বী ওইগদৌরিবনি। মণিপুরসু মহৌশাগী খল কায়থরকপগী খুদম-চাংদম কয়ামরুম ফংই। মহৌশাগী খল কায়থরকপগী মরু ওইবা মরমশিং চীংদা উপাল-ৱাপালশিং কোকথোকপা, লামৈ পাক-শন্না থাবা অমসুং ফোরেষ্টকী পোত্থোকশিংদা মীওইবনা শিংনরকপা অসিননি হায়না লৌনরি। নোং খজিক্তং চুবগা তুরেলগী ঈমায় পুং অনীগী মনুংদা খংৱাং ৱাংখৎলকপা, কালেনথা নৎত্রগা নিংথমথাগী খেন্নবা খঙলক্তবা, নোংজু থাগী মতম হায়বা অমা লৈরক্তবগী ফীভম অসি য়েংলুরগা ষ্টেট অসিদসু ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক হেন্না লৈরক্লি। মসিনা ঐখোয় পুন্নমক ৱাখল তামিন্নহনবা ঙমগনি অমসুং মাঙখিগদৌরবা মালেম অসি কনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা হৌজিক হৌজিক হাংনরিবা পেট্রোল পম্পশিং অসিদা ফংলিবা পেট্রোল অসি অনলীদেদ ঙাক্তা ওইরে। অদুবু মণিপুরদা থৌনরিবা গাড়ীশিং অসি লোইনমক অনলীদেদ পেট্রোল হাপ্পা য়ারবা ঙাক্তরা? অনলীদেদ পেট্রোল শীজিন্নগে হায়রবদি তঙায়ফদনা গাড়ী অদু কেটোলাইটিক কনভর্টর হাপ্পা মথৌ তাই হায়বসি মীয়ামদা খঙহনখ্রব্রা? কনভর্টর অসি হাপ্তবা গাড়ীদা অনলীদেদ পেট্রোল হাপ্তুনা শীজিন্নবনা অকোয়বগী ফীভমদা করি অকায়বা পী, মীওইবদা কয়া য়াম্না অমাঙবা ওইহল্লি হায়বসি নৈনখ্রব্রা? মতাং অসিদা পঙ্গনিংবা ৱাফম অমদি ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভমদা য়াম্না নক্না মাঙ-তাক্লবগী মচাক ওইরিবশিং অসি উপায় অমা তৌদুনা শেমদোকপনা ৱর্ল্ডইনভাইরনমেন্ট দে থৌরম পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈগনি। নুমিৎ অসিদা ইনভাইরনমেন্ট কন্নবনি হায়দুনা মিনিষ্টরনা ফি নান্না শেৎলগা লম্বীগী মতাইদা উ চারা অমখক থারম্বনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈরোই। ইনভাইরনমেন্ট কনবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী থৌদাংনি। উসু থাসি, হান্না হৌদুনা লৈবা উ য়ান্থৎকুমসি, উদি লায়রদনা উশা অমা য়ানবদা দোল্লর ১০,০০০ ফাইন তৌবা সিঙ্গাপুরগী লোসু মতৌ তমসি; মাঙদা তাদুনা লৈরিবা অশোয়বশিং চুমথোকসি হায়জনিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

হয়িং খোঙবান্দা লৈরিবা লাইয়িংথৌ লৈমরেনবু মরী লৈনবশিংনা মিৎয়েং চঙবীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

হৌখ্রে কুমজা কয়া নীংশিংবদা অকাউ পরৈ চল্লক্লে, মীশি মীনাগা লোয়নননা হয়িং খোঙবান্দা মীয়াম্না থন্বীখিবা চীঙু ইবুংঙো লাইয়িংথৌ অমদি ইমা লৈমরেল শিদবীবু। অদুবু মতাং অসিদা পঙলবা তোল্লবা ননাই ঐনা খ্বাই তরাগী মফমদা হংজনীংবা অমদি লৈ। ঙসি পোইরৈ মীতৈ লৈপাক্তা লৈরিবা মীতৈ খুন্নাই অসিবু চীঙু ইবুংঙো লাইয়িংথৌ অমদি ইমা লৈমরেল শিদবীবু নুংশিবীবা কয়াম লৈরিবগে অসিনি। মরমদি চীঙু ইবুংঙো লাইয়িংথৌ অমদি ইমা লৈমরেল শিদবী হায়রিবা অসিবু করি হায়রিবনো? মসিবু মীতৈ খুন্নাই পূম্বনা খঙফম থোক্তবরা? নৎত্রগা খঙনা খঙনা লৈরিবা লাইয়িংথৌ অমদি ইমা লৈমরেল অনীবু মফম চাদনা পীকখ্রবা মফম শঙলেন কা মচা অমদা লাক্লবগী মওংদা লেঙবা য়াদে হায়বগী মতাগুম থন্বীরিবা অসিবু লাইয়িংথৌ ইপা ইমাবু নুংশিবগী খুদমলা? মসি হায় হায়দুনা শাউবীগনু। ঙসি মীতৈ লৈপাক্তা লৈরিবা খুন্নাইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফৎতবদি মীতৈ মচাশিংনি। মরমদি হৌখিবা কুমজা মঙা-তরামঙা লৈঙাক পায়খ্রবা লৈপাক্কী থৌপুরেন্না করি করি তৌবিখ্রবগে অসিনি। মসিনা তাকপদি লাইয়িংথৌ ইপা ইমাবু নুংশিদে তাকপনি। মসিবু করি কৌবগে হায়বদা মপা মমা মশক খঙদবা কৌই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না খনজে। মরমদি চীঙু ইবুংঙো লাইয়িংথৌ অমদি ইমা লৈমরেল শিদবীদি মীতৈ ঐখোয়গী লাই নৎতে মালেম তাইবঙপানগী লাইনি হায়বা অসি ইপা ইমাগী মিংখৈ মিংলেন অসিনা অসুম তাক্তুনা লৈজরিবা অসিনা খুদম চাংদমনি। ঙসি মীতৈ খুন্নাই পূম্বনা চৎন-চৎনা, হিংনা-হিংনা শিরবা, থৱায়-মি হামচৎনবগুম মীনাই নাইথাংগুম মীখা পোন্না ৱানা হিংলিবা অসিবু ইপা ইমাবু মশক খঙদবদগী, ইপা ইমাবু মীরাইরুবগী নৎতবরা? চীঙু ইবুংঙো লাইয়িংথৌ ইপা ইমাগী শঙলেনদি হৌজিক লৈরিবা এম আর লম্পাক অসি লোইনা পাকশন্না শারবফাওবা মতি চাদে খনজে। মরমদি লাইয়িংথৌ ইপা ইমাগী মফমদা মালেম পূম্বগী নুংশি কৈথেল কাফম ওইরখিগদবনে। অরোইবদা পোইরৈ মীতৈ লৈপাক্কী ইকায় খুম্নবদা মতিক চারবা চীফ মিনিষ্টরগী মফমদা তোল্লবা ঐনা হংগৎচনীংবদি হৌজিক লৈরিবা লাইয়িংথৌ লৈমরেন ইপা ইমাগী শঙলেন মতিক চানা থন্বীনবা অমদি ইহান হান্না শেম্বী শাবীগদবা কংলাগী লাইফমলেন ১০৮ দা মরুওইনা লৈগদবা লাইয়িংথৌ অমদি ইমা লৈমরেল শিদবীগী শঙলেন খুভমবু মফম চানা চানা থন্বীনবা নোল্লুক্না নীংশিংজরি।

অদোমগী - সোইবম গুনিন্দ্রো মীতৈ, উচেক্কোন কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়

লৌমীশিংগী কাখল

ফৌ পাম্বীগী লায়না তীলনা অমসুং ঙাকথোক্লবা উপায়-৫

ডা: এম থোইথোই সিংহ

ভাইরস অমসুং মাইকোপ্লাজমানা থোকহনবা ফৌগী লায়নাশিং ঃ ভাইরস অমসুং মাইকোপ্লাজমানা থোকহনবা ফৌগী লায়না ২১ মুক লৈ হায়না পানৈ। মসিগী মনুংদা লায়না ১৭ তি তীল কাংনা শন্দোকই অদুগা লেমহৌরিবশিংগী মনুংদা নেক্রোসিস মোজাইক ভাইরসতি লৈবাক্তগী শন্দোকই, মোজাইক ভাইরসনা পাম্বীদা খোগায় খোৎকায়বদগী শন্দোকই অমসুং রিঙ্কল ষ্টন্ট ভাইরস অমসুং ৱিটচ ব্রুম ভাইরসনা মরুদা চেন্নরকই। ***ইন্দিয়াগী লৌবুকশিংদা থেংনরিবা লায়না মখলশিংদি ঃ*** (১) নেক্রোটিক মোজাইক (২) ব্যাগ ষ্টন্ট, (৩) য়েল্লো দ্বার্ফ (৪) তুঙ্গ্রো অমসুং (৫) গ্রাসি ষ্টন্টনি। অদুবু তুঙ্গ্রো অমসুং গ্রাসি ষ্টন্ট মণিপুরগী লৌফমশিংদা অদুমক উবা ফংই। ইন্দিয়াদা তুঙ্গ্রোদি কুমজা ১৯৬৮ দা জোননা শক্তাকখি অদুগা কুমজা ১৯৭৪ দা অনজানেলুয়ুনা গ্রাসি ষ্টন্টপু মশক তাকপদা নত্তনা ভাইরস অসিবু পুদুনা চৎলিবা ভেক্টরবুসু খঙদোকখি।

তুঙ্গ্রো অমসুং গ্রাসি ষ্টন্ট হায়রিবা লায়না অনী অসি ইন্দিয়াগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা লায়নাশিংনি। কুমজা ১৯৬৯ অমসুং ১৯৭৩ দা অৱাং থংবা ইন্দিয়াদা তুঙ্গ্রো ভাইরসনা য়াম্না মাঙ তাকহনখি। অদুগা কেরলাদা কুমজা ১৯৭৪ দা গ্রাসি ষ্টন্টনা চাক তাঙবা থোকহনখি।

১) তুঙ্গ্রো ঃ

লায়েং ঃ অনৌবা মনাশিংগী মচু মাঙথরক্তুনা মনাদা য়াওরিবা মশিংশিং (ভেইন) অদু ময়েক শেংনা উরকই। অসিগুম্বা ফৌনাশিংনা মপূং ফাবা ঙমদে। নুমিৎ ১০-১২ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা মনাদুগী মতোনলোমদগী ঙাংশিল্লকই অমসুং মখারোমদা অসুম শন্দোরকই। ফৌ পাম্বীনা লীবা হেনগৎলকপগী মতিক ঙাংশিনবা অমসুং কোলি শুংজিনবা হেনগৎলকই অদুগা মশিংশিংদুসু ময়েক হেন্না শেংহল্লকই। অসুম্না খরা লিশল্লকপগী মতিক পাম্বী অদু ঙাংলৈননা নাপু শারকই অমসুং অসুক্কী মতিক নেম্না উই। ফৌ মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না লায়ওং উৎপদা তপ্পা অমসুং থুবগী চাং খেন্ননা লৈ। ফৌ মখল খরদা মপুন্সি চুপ্পা লায়ওংদুদগী ফবা ঙমদনা কোলি শুংজিন্দুনা লৈ অদুগা করিগুম্বা ফৌ মখল খরদনা মতম খরা নারল্লগা ফখিবসু য়াওই।

নৌনা পুথোকখিবদা, লায়না অসিগী ভাইরস মখল অনী লৈ - ১) *আর টি বি ভি* (রাইস তুঙ্গ্রো বেসিলিফোর্ম পার্টিকল ভাইরস) অমদি ২) *আর টি এস ভি* (রাইস তুঙ্গ্রো স্ফেরিকেল ভাইরস) নি।

আর টি বি ভিনদি পাম্বী অদুগী মচু শিথহনবদু পঙকন কন্না তৌদে অদুগা কোলি শুংহনবগী চাংসু খরা হন্থে। অদুগা আর টি এস ভিনদি লায়ওং উত্তে, মশা ফবা পাম্বী অমগুম্না লৈহল্লি। অনীমক পুল্লগনা পাম্বী অদু য়াম্না থীনা শোকহল্লি। লায়না অসিনা ফৌ মপাল শাংহনবদা অকায়বা পীবতা নত্তনা ফৌ পানবদসু থেঙহল্লি, পাল্লকপা চরোং মশীং হন্থহল্লি। অদুতসু নত্তনা ফৌহামগী চাংসু য়াম্না হেনগৎহল্লি। মরু চঙলে হায়রিবদুসু অরুম্বা হন্থহনবগা লোয়ননা মচু শিথহল্লি। অসুম্না ফৌগী চাথোক হন্থহল্লি।

করম্না লায়নাসি শন্দোরকই ? ১) লায়না অসি মরূ অমসুং লৈবাক্তগী শন্দোকপা নত্তে। গ্রীন লিফ হোপর কৌবা তীল অমনা অয়াম্বা মতমদা লায়না অসি শন্দোকই। তীল অসিনা অনাবা পাম্বীদগী আর টি এস ভি অমসুং আর টি বি ভি পূন্না পুই নৎত্রগা আর টি এস ভি খক্তমক পুদুনা শন্দোকই। অদুবু করিগুম্বা পাম্বী অদুনা আর টি বি ভিদমক নাবা ওইরবদি তীল অসিনা আর টি এস ভি হেক লৌরক্ত্রিবা মখৈদি পাম্বীদগী আর টি বি ভি শন্দোকপা ঙমদে।

২) নাপী মাল্লকপা ফৌগী লায়না (গ্রাসি ষ্টন্ট) ঃ লায়না অসিনা ফৌ পাম্বীবু অসুক্কী মতিক চাউজন থিহল্লি অমসুং অকূপ্পা মনাশিং পানবা নাপী মখল অমগী মওং মালহল্লি। ফৌনাশিং অদু মনা চপ চপ তিংগনি, মচু তাইফেৎ তাইনা শংগনি অমসুং ফৌনাশিংদা কোহ্লিং মচু মানবা মকুপ মকুপ পল্লকই। য়েংবদা জিঙ্ক ৱাৎপগা য়াম্না মান্ননা উই। পাম্বীদু লায়না অসিমক্না হাৎতোকপদি ঙমদে অদুমকপু ফৌ মপাল তম্বা অমসুং শাৎপা ঙমহন্দে।

করিনা লায়নাসি শন্দোকই ঃ লায়না অসিবু থোকহল্লিবা ভাইরস অসি ৱাইকুপ মানবী তীল (ব্রাউন লিফ হোপর) না শন্দোকই। গ্রাসি ষ্টন্টকী অতোপ্পা ষ্ট্রেইন অমা পুথোকখ্রে। হায়রিবা ষ্ট্রেইন অসিগী লায়ওং অসি তুঙ্গ্রোগা য়াম্না মান্নে। গ্রাসি ষ্টন্ট ভাইরসনা তাবা ঙমদবা ওরিজা নিভেরাদা অনৌবা ষ্ট্রেইন গ্রাসি ষ্টন্ট ভাইরস -II হায়বসিনদি লায়না থোকহনবা ঙম্মী।

লায়নাশিং অসিদগী কন্নবা পাম্বে ঃ ১) তীলহাৎ হীদাকশিং কাপ্তুনা ভাইরস অসিবু কোইপু পুদুনা শন্দোক্লিবা তীলশিং হাত্তোক্কনি। অসুম্না লায়না শন্দোকপা তীলশিং হাত্তোক্তুনা মখা শন্দোকহন্দবা নত্তনা লায়না অসি ফহন্নবা হীদাক লৈত্রি। অদুবু তীলশিং অসি হাৎনবা Imidachloprid 17.8% মিলিলিটর ৭ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা ফৌখোঙ চোৎনবা কাপথোক্কনি।

২) লায়নাশিং অসি লৌবুক্তা হেক উবগা মখা তানা অতোপ্পদা শন্দোরক্তনবা পাম্বীদু ফুক্তোকহৌগনি।

খঙজিনবদা কান্নবা পাম্বীগী মরুওইবা তঙাইফদবশিং

এস সুমঙ্গল সিংহ



Ahanba paambi: temperature chap chaaba aalu paambi; atei meishaa hellaba paambi ahaanba paambi aalu taai; atei alu paande.

লৌউ-শিংউ তৌবিরিবা লৌমী হায়জরগে ইচিন ইনাওশিংগী মরুওইবা পান্দমদি চাথোক য়াম্না পুথোকপা অমসুং শেন্দোং লৈবদুনি। চাথোক য়াম্না পুথোকপা হায়বসিদা চংদবা য়াদবা পোৎলম খরা লৈফম থোকই। শম্না হায়রবদা চাদিং য়াম্না তৌদনা শেন্থোক য়াম্না লৈহনবা হায়বসিনি। মসিগীদমক খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম কয়া অমনি। খুদম খরা পঙ্গরবদা অনৌবা ৱাখল্লোন (টেক্নোলোজি) মমুৎ তানা খঙবগা লোয়ননা মদুবু কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবা হায়বসিসু অমনি। টেক্নোলোজি হায়রগা অখঙ অহৈ কয়ানা পুথোকপা অদুতবু নত্তে। অখঙ অহৈ কয়ানা পুথোরকপদুসুনি লোয়ননা লৌমী ইচিন ইনাওশিংদুনা পুথোকপীরকপা অদুসুনি। অনৌবা অফবা কাঙলোন কয়া পুথোরকপদা খঙদবা য়াদবা খরা অদুনি ঙসি ঐনা থমজনীংলিবসি।

করিগুম্বা মহৈ মরোং, মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ ওইরিবা পাম্বী অমগী চপ চাবা লৌউ কাঙলোন চপ চাবা ফীভম অমদা শীজিন্নবা মতমদা পাম্বীদুগী তঙাইফদবা চঙদবা য়াদবা মচাক খরা চঙই। মচাকশিং অদু খঙলবসু মচাকশিং অদুনা লৌরিবা থৌদাং অদু মমুৎ তানা খঙলবদি হোৎনরিবা কাঙলোনদুনা অমুক্না হেন্না মপূং ফানা চাথোক পুথোকপা ঙমগনি হায়বসিনি। মদু খঙদ্রবদি ফনা হোৎনদুনসু চাগনবা য়াংগংবা, শুগনবা লায়রবা হায়নরিবা অহল লমন্না থন্বীরম্বা পাউতাক অদু তাদুনা হোৎনজমন অরেম্বা তাদুনা তোক্কনি হায়বনি। মতাং অসিদা ঙসিগী ওইনা মরুওই হায়না খঙবা ৱাফম খরা মীয়ামগী মফমদা থমজগে।

অহানবদা থমজনীংবদি পাম্বীনা মশাগী মচিঞ্জাক শুংজদুনা মশানা শুংবা ঙম্মী লোয়নননা অতৈ থৱায় পানবা খুদিংমকপুসু চিঞ্জাক পীবিদুনা হিংহনবীরি হায়বসিনি। মচিঞ্জাক শুংবদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ঈশিং, মৈশা, নুংশা অমসুং পাম্বীগী মচিঞ্জাক মচলশিং অসিনি। অতৈ লায়না তীলনানচিংবা অদুনা তোঙানবা ওইনা থমখ্রসি। মখোয় পুম্ন মকসিনা চাং চানা ফংলবতদা পাম্বীনা মপূং ফানা চাথোক লৈনা হৌবা ঙমগদৌরিবনি। মৈশা (টেম্পরেচর) চানদবা মফমদা অতৈশিং নিংথিনা ফংলবসু কৈদৌনুংদা পাম্বীনা মপূং ফাবা ঙমলোই। ঈশিং, নুংশা মঙাল, মচিঞ্জাক মচল শুনা ফংলবসু মতিক চাবা চানবা মৈশা ফংদবা মতমদা পাম্বীদু মপূং ফাবা ঙল্লোই হায়বনি। মসি বৈজ্ঞানিক কয়ানা চাংয়েং তৌদুনা খঙলকপা, উথোকখ্রবা থৌওং অমনি। মসিদসু অমুক পাম্বী মখলশিংগী তোঙান তোঙানবা দরকারগী চাং অমুক খেন্নৈ। মসিনা তাকপদি পাম্বী খুদিংমক্কী মাগী মাগী হৈনজবা ফীভমশিং লৈজে হায়বনি।

পাক চাউরবা ৱাফম ঙাক্তনি অদুবু ঙসিগী ওইনা খঙজিনবা য়াবা, ময়ামদা কান্নগনি খনবা ৱাফম খরা থমজরি। তঙাইফদনা চঙবা মরুওইবা মচাক অহুমখক নৈনজগে মখোয়শিং অদুদি ঈশিং, মঙাল (নুংশা), মৈশা অমসুং পাম্বীগী মচিঞ্জাকনি। মরিসিগী মনুংদা অমা ৱাৎপা মতমদা হোৎনরুবা খুদিংমক অরেম্বা তাগনি।

পাম্বীনা মচিঞ্জাক শুংদবা (ফোটোসিন্থেসিস) নুংশা মঙাল, মৈশা, ঈশিং চঙই। ফোটোসিন্থেসিসকী মতেংনা পাম্বীনা চনাংগী শরুক শুংই। পাম্বীগী মরুওইবা অতৈ মচলশিংনা লৈবাক লৈহাওদগী ফংই। মখোয়না শুংবা পোৎলমশিং থৱায় পানবা খুদিংমক্লা চাদুনা হিংলি। অতোপ্পা কনা অমত্তনা ঐখোয় থৱায় পানবশিংদা পুথোকপা ঙমদে। পাম্বী নত্তবা অতোপ্পা থৱায় পানবশিংনা পাম্বীদা মীপান তাংদুনা হিংলি। পাম্বী য়াওদনা ঐখোয় খুদিংমক চিঞ্জাক ফংলমলোই। ঐখোয়না চারিবা চাক পাম্বীনা পীবনি। উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং পাম্বীনা পীবনি।

বিসকিট পাম্বীনা নাকোয়ননা পীবনি। বিসকিট শাবদা চঙলিবা মচল আটা-মোইদা গেহুনা পীবনি। মদুদা হাপ্লিবা য়েরুম য়েন্না পীবনি। য়েন পাম্বীনা পীবা চেঙ চাক চাদুনা হিংবনি। বিসকিট শাবদা হপ্লিবা চিনি পাম্বীনা পীবনি। মসিদা অরানবা ৱাফম অমত্তা য়াওদে। পাম্বী লৈরমদ্রবদি ঐখোয় চিঞ্জাক ফংলস্লোই। মসি কনানা পুথোকই? লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা। অদু ওইরবদি মখোয়বু ঐখোয়না করি তৌফম থোকপগে?

মসিনা ৱাফম অমা ওইনা থমখ্রসি মখোয়দা চিঞ্জাক পুথোকপদা নিংহন্নদনবা মখোয়গী য়াইফনবা হোৎনবিফম থোক্তবরা? মদুগী মচেৎ অমখক্তংনি ঐনা ঙসি থমজরিবসি। নুংশা মঙাল য়াওদনা পাম্বীনা মচিঞ্জাক শুংবা ঙমদে। নুংশাগী মঙালগী মতেংনা পাম্বীনা মচিঞ্জাক শুংই। মৈশা য়াওদবা য়াদে। মৈশাগী চেঞ্জ মতুংইন্না মচিঞ্জাক কয়াম পুথোকপা ঙম্বা হায়বদু লেপ্পী। মৈশা চপ চানা ফংলবতদা ফোটোসিন্থেসিস চপ চানা পাঙথোকপা ঙম্মী। মৈশানা হেল্লবা মতমদা ফোটোসিন্থেসিসতগী নুংশা শ্বর হোনবনা হেল্লবদি মচিঞ্জাক শুংলিবা অদু শীজিন্নথোকখিদুনা তুংশিনবা ঙল্লোই। পাম্বী চাওজন থিগনি, চাথোক হন্থরনি। লৈবাক্তা য়াওবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মচল ৱাৎলবা পাম্বী চাওবা হেল্লরোই চাথোক হন্থরনি। অসিগুম্বা অৱাৎপা লৈরবা পাম্বীগী পোত্থোক চারবা ঐখোয়সু ৱাৎপগী লায়না নারনি। ডোক্তরদা তোয়না চৎলনি। শেলয়াম তিংলনি। খরখক থমজবনি।

পাম্বীগী মপুন্সিদা মরুওইবা তাঙ্কক অনীখক লৈবদু থমজগে- চাওখৎলকপা মতম (ভেজিটেটিভ ষ্টেজ)। মসিদা পাম্বীগী মশা চাওখৎলকই। মশা মরেং শেম্মী, মচা পোকই (খুদম ফৌ) মরা নিংথিনা চৎলি। মতাং অসিদা ঈশিং য়াম্না চঙই, নাইট্রোজেন য়াম্না চঙই। মতাংসিদা অতৈ নিংথিনা ফংলবসু ঈশিং/নাইট্রোজেন ৱাৎলবা পাম্বী চাউররোই চাথোক হন্থরগনি। ঈশিংসু অতৈসু ৱাৎত্রবা নাইট্রোজেন ৱাৎলবা পাম্বী মপূং ফাররোই, চাথোক হন্থরনি। মতমদুদা পাম্বীনা শুংজরিবা চনাংগী শরুকশিং নিংথিনা শীজিন্নথোক্তুনা চাওখৎনবা হোৎনবা মতমনি। তুংশিনবগী চাং ৱাৎকনি। মথংদা মপান মহৈ তম্বা মতম (রিপ্রদক্টিভ ষ্টেজ) লাক্কনি। মতাং অসিদদি চনাং শীজিন্নথোকপদগী তুংশিনবনা হেল্লি। তুংশিন্নবা মচাকশিং অমদি ফীভম ঐখোয়না শেম্বীবা তাই। নৎত্রবদি পাম্বীদু অসুম অসুম চাওথোকখিদুনা মপান শাবা মহৈ য়ানবা কাওখিদুনা মশা মরেং ফনবরোমদা অদুম লৈখিদুনা চাথোক হন্থবা য়াই। মসি ঐখোয়না শীজিন্নগদৌরিবা পোৎলম পোত্থোক্কী মখাসু পোল্লি। মনানা মরূ ওইবা পোত্থোক ওইরবদি য়াদে। মরু নৎত্রগা মহৈনা মরুওইবা পোত্থোক ওইরবদি য়ারে। মরু নৎত্রগা মহৈনা মরুওইবা পোত্থোক ওইরবদি মাঙজরে। হায়রিবা পাম্বীগী তঙ্কক নিংথিনা খঙলবা, মখোয়গী ঐখোয়না শীজিন্নগদৌরিবা পোত্থোক খঙলবা অদু ওইরবদি ঐখোয়না খরা মখৈদা নত্তনা য়াম্নমক শেম্বীবা য়াই। খুদম ওইনা ভেজিটেটিভ ষ্টেজদা নাইট্রোজেন অমসুং ঈশিং ৱাৎহনবা শুকয়া য়াদ্রে হায়বনি। মসিগী তাঙ্ককসি লোইখ্রবা চনাং তুংশিনবগী মতম য়ৌরবা মতমদা ঈশিং হেল্লবা, নাইট্রোজেন হেল্লবা মশা মরেং ফন্দুনা অদুম লৈবনা মপান শাবা অমসুং মহৈ য়ানবা ৱাৎলনি। পাল্লিবা চাথোক হন্থরনি। অদুনদি পূম্নমকশিং অসি খঙনা মতম চানা পাম্বী থারিবা ঐখোয়না হোৎনরবদি নিংথিনা চাথোক অমসুং শেন্দোংসু ফংলনি। ভেজিটেটিভকা রিপ্রদক্টিভকা অনীগী বেলেন্স খল অমা চঙই হায়বনি। করম্না বেলেন্সতা থমগনি খঙবা চঙই হায়বনি। ঙসিগী ওইনদি মসিখক খঙখিসি মতুং তাবদা খরগা হেন্না থমজগে।